## টারিফ হেনগৎপগী খোঙথাং য়েথোকখ্রে

ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ১২ (এজেন্সি) :
পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনা লিংখৎখিবগী ৭০ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা বৈজিংদা মরুপ-মপাং ওইবগী ইঙ্গিৎ উৎপা ওইনা দোলর বিলিয়ন ২৫০গী ওইগদবা চাইনাগী পোৎ-চৈশিংদা টারিফ চাদা ৫ হেনগৎনবগী থৌরাংগী মতম ওক্তোবর ১ দা লেপ্লম্বদগী ওক্তোবর ১৫ দা য়েথোক্লে হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লাউথোকখ্রে।

## এ পি জিনা রিপোর্ট ফাইল তৌরগনি

ইস্লামাবাদ, সেপ্তেম্বর ১২ (এজেন্সি) :
পাকিস্তান্না মনি-লোন্দরিং অমসুং টেরর ফাইনান্সিং থিংনবগী পান্দমদা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং কদায় ফাওবা মায় পাক্লবগে নৎত্রগা খুমাং চাওশিল্লবগে হায়বগী মতাংদা য়েংশিন্দুনা শেন্বা রিপোর্ট অমা এসিয়া-পেসিফিক গ্রুপ (এ পি জি)না মথং থাদা পেরিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা এফ এ টি এফ প্লিনরি ৱার্কিং গ্রুপকী মীটিংদা সবমিট তৌরগনি।

## রসিয়ানা ক্রেম্লিনগী ক্রিটিক নাভালনিগী সপোর্টরশিংদা পাক্তক্লনা রেইদ চথখ্রে



মোস্কো, সেপ্তেম্বর ১২ (এজেন্সি) :
মনি-লোন্দরিংগী মতাংদা চথবা ইনভেষ্টিগেসন অমগী শরুক অমা ওইনা রসিয়ন লোএনফোর্সমেন্ট ওথোরিটিশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা ক্রেম্লিনগী ক্রিটিক অলেক্সি নভালনিবু শৌগৎপা মীওইশিংগী য়ুম অমসুং ওফিসশিংদা পাক্তক্লনা রেইদ তৌখ্রে।

থিবা-হুন্বগী থবকশিং অদু প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিন শৌগৎলিবা রুলিং য়ুনাইটেদ রসিয়না পার্টিনা মোস্কো এসেমব্লিগী মীখলদা হান্না ফংলম্বা সীট মশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমা হন্থনা ফংখিবা মতুং নুমিৎ ৪নিগী কান্নরগা টাউন অমসুং সিটি ৩৯ দা পাঙথোকখিবনি। ক্রিম্লিনগী পোলিসি প্রোগ্রাম কয়াবু তত্তনা ক্রিটিসাইজ তৌদুনা লাক্লিবা নাভালননিনা মহাকপু শৌগৎলিবশিংদা মমাং চয়োলগী লোকেল অমসুং রিজনেল মীখলশিংদা ক্রেম্লিননা শৌগৎপা কেন্দিদেটশিংনা মায় পাকপগী চাং হন্থহনগদবা মওংদা অখন্নবা কেন্দিদেন্টশিংদা ওইনা ভোট থাদনবা আপিল তৌখিবনি।

মহাক্কী ষ্ট্রেটেজি অদু কেপিটেল মোস্কোদা মায় পাকপগী মমি চাওনা তাখি। মফম কয়াদা পাক্তক্লনা চথখিবা রেদশিং চথখিবা মতুংদা নাভালননিনা সোসল মিদিয়াদা ইরদুনা হৌজিক পুটিন য়াম্না শাওরে অমদি চথরক্লিবা ক্রেম্লিনগী ওথোরিটিশিংগী থৌওং অসি হুরানবগী থৌওংশিংদগী খেন্নবা করিমত্তা লৈতে হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

এক্তিভিষ্টশিংদা ওথোরিটিশিংনা চথখিবা থিবা-হুন্বগী থবকশিং অদু নাভালনিগী এন্টি-করপসন ফাওন্দেসনগী মায়োক্তা চথরিবা মনি-লোন্দরিং ইনভেষ্টিগেসন অমগা মরী লৈনৈ হায়খি। পনবা য়াবদি, ওর্গনাইজেসন অসিনা ওথোরিটিশিংবু ইকাইহনখিবা করপ ওফিসলশিংগী অরানবা থবকশিংগী মতাংদা চথবা ইনভেষ্টিগেসনগী রিপোর্ট কয়া ফোঙখি।

ষ্টেট ইনভেষ্টিগেটরশিংনা হৌখিবা থাদা ফাওন্দেসন অসিগা মরী লৈননবা রুবল বিলিয়ন অমগী ওইবা লোন্দরিংগী মতাংদা ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন হৌখ্রবনি। রসিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফাওন্দেসন অদুগা মরী লৈনবা বেঙ্ক একাউন্ট কয়াসু ফ্রীজ তৌশিনখ্রে। মদু নাভালনিগী পোলিটিকেল ইহৌদা অয়েৎ-অপন চাওনা পীনবা হোৎনরকপনি হায়না মহাক্কী পোলিটিকেল মীচংশিংনা ফোঙদোকখ্রে। খ্বাইদগী নৌবা রেইদশিং অদু মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রবা মওংদা চথখি হায়না নাভালনিগী স্পোক্সপর্সন কিরা য়ার্মিসনা ফোঙদোকখি।

## স্পেনদা নোং কন্না চুখ্রে, ঈচাওগী ঈশিংনা চেনবদা অহল ওইরবা মতৈ-মনাও শিরে



মদ্রিদ, সেপ্তেম্বর ১২ (এজেন্সি) :
স্পেনদা নোং কন্না চুবদগী মফম কয়াদা ঈচাও থোক্লকখিবগা লোয়ননা শগোলশেল নুমিত্তা লৈবাক অসিগী নোংপোক থংবা শরুক্তা কার অমা ঈচাওগী ঈশিংনা চেন্থদুনা মথক-মখা ওলহনখিবদা মদুদা তোংলিবা অহল ওইরবা মতৈ-মনাও অমা লৈখিদ্রে হায়না লোকেল ইমর্জেন্সি সর্ভিসেসনা ফোঙদোকখ্রে।

চহী ৭০ শুরবা ঙাক্তা ওইবা মতৈ-মনাও অদু কাষ্টিলা লা মনচা রিজনদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাও অদুদা শিখিবনি হায়না ১১২ সর্ভিসনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি। য়ুমথংনরিবা ভালেন্সিয়া রিজনদা য়ামদ্রবদা তুরেল অনীগী তোর্ব্বানশিং কায়বদগী মীওই কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোক্লখি।

হন্দক চুরক্লিবা নোংগী চাং অসি মিলিমিটর ৩০০ ফাওবনি। অসিগুম্বা নোংজু অসি ঐখোয়না লমদম অসিদা হৌখিবা চহী ১০০ রোমসিদা থেংনখিদ্রি হায়বা য়াই হায়না ক্লারিয়ানো তুরেলনা মফম কয়াদা ঈচাও থোকহল্লিবা ভালেন্সিয়া টাউনগী খা থংবদা লৈবা ওর্ন্টিনিয়ান্টকী মেয়র জোর্জ রোদ্রিগিজনা ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর টি ভি ঈদা হায়খি।

## হোং কোংগী প্রোটেষ্টশিংদা লান্টর্ন ফেষ্টিভেলসু য়াওরগনি



হোং কোং, সেপ্তেম্বর ১২ (এজেন্সি) :
চাইনানা লৈঙাক্লিবা হোং কোং সিটিদা হৌখিবা য়ুমশকৈশদগী চথরকখিবা অকনবা প্রোটেষ্টশিং মতম খরা লেপ্লবা মতুং চয়োল অসিগী অরোইবা শরুক্তা মিদ-ওটম ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইনা লান্টর্ন চুখৎপগী থৌরম পাঙথোক্তুনা সিটি অসিগী এক্তিভিষ্টশিংনা প্রো-দেমোক্রেসি প্রোটেষ্টশিং মখা চথগদৌরিবনি।

এয়রপোর্টকী ষ্ট্রেস টেষ্টশিং য়াওনা মখা তানা সিটি অদুগী এক্তিভিষ্টশিংনা প্রোটেষ্ট কয়া লেপ্তুনা চথনবা হোৎনরক্লিবনি। প্রোটেষ্টশিং অদুদা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা এক্তিভিষ্টশিংনা লন্থীশিং থিংজিনবা, মফম কয়াদা লন্থীদা মৈ থাবা অমসুং অনকপদা লৈবা এম টি আর সবৱে ষ্টেসন অমদা অকায়বা পীবনচিংবা থবক থৌওং কয়া চথবা উখি।

হৌখিবা থাদা প্রোটেষ্টরশিংনা এয়রপোর্টকী এরাইভেলস হোলদা চয়োম শানবা থোমজিনখিবদা ফ্লাইট কয়া কেন্সেল তৌখি। মখোয়না পুলিসকা কন্না মুক্লখি। সী সী টি ভিগী ফুটেজদা উখিবা পুলিসনা মেট্রো ট্রেন অমদা তোংলিবা প্রোটেষ্টরশিংবু ফু-চৈবগী থৌদোক থোকখিবা নুমিৎ ওগষ্ট ৩১ গী অহিং নীংশিংলদুনা শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা এক্তিভিষ্টশিংনা কাওলোন পেনিন্সুলাদা লৈবা প্রিন্স এদৱার্দ ট্রান্সজিট রেলৱে (এম টি আর) ষ্টেসনগী মপান্দসু প্রোটেষ্ট তৌনবা থৌরাংলি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা এম টি আর অসি এক্তিভিষ্টশিংগী মরু ওইবা টার্গেট অমা ওইরকখি। এক্তিভিষ্টশিংনা খোইরাং খোইশাওনরিবদি প্রোটেষ্টরশিং পুনশিন্নবা য়াদনবা এম টি আরনা ট্রেন ষ্টেসনশিং থিংজিনবা অসিনি। মখোয়না কম্পেনি অসিদা এক্তিভিষ্টশিংবু ফু চৈখিবগী সী সী টি ভি ফুটেজ রিলিজ তৌনবা দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবনি। হন্দক্কী প্রোটেষ্টরশিংগী ইরাংশিংদা পুলিসনা টিয়র গ্যাস, পেপর স্প্রে, রবর বুলেটনচিংবা শীজিন্নখি।

## নোর্থ কোরিয়াগা ৱারী মখা চথবা য়ানবগী খোঙথাংশিং লৌখৎনবা চাইনানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা তকশিনখ্রে



বৈজিং, সেপ্তেম্বর ১২ (এজেন্সি) :
নোর্থ কোরিয়ানা দিন্যুক্লিরাইজেসনগী ৱারী মখা চথনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লিবসি য়েংদুনা ৱারী শান্নবদা খুদোংচাহন্নবগী খোঙথাংশিং লৌখৎনবা চাইনানা শগোলশেল নুমিত্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা তকশিনখ্রে অমসুং প্যোংয়াংগীদমক্তঙা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা অথিংবশিং কোমথোকপগী ৱাফম খন্নবা ফগনি হায়না অমুক হন্না সজেসন পীখ্রে।

নোর্থ কোরিয়ানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা সেপ্তেম্বরগী অরোইবা শরুক্তঙা ন্যুক্লিয়রগী ৱারী মখা তাবা হৌনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা ৱাশিংটনগী মায়কৈদগী অনৌবা ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম ওইবা খোঙথাংশিং লৌখৎলক্তবা তারবদি নাকল অনীগী দিলিংশিং লেপ্পা য়াই হায়নসু ৱার্নিং তৌখি।

তৌইগুম্বসুং নোর্থ কোরিয়ানা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবা মতুং পুং খরখক্কী মতুংদা সোর্ট-রেঞ্জ প্রোজেক্টাইল কয়া কাপখি। বৈজিংদা ৱা ঙাঙলদুনা চাইনিজ গভর্নমেন্টকী টোপ দিপ্লোমেট ওইরিবা ষ্টেট কাউন্সিলর ৱাং য়িনা হায়খি মদুদি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী মখা চথবগী মতাংদা নোর্থ কোরিয়ানা হন্দক্তা পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা ইঙ্গিৎ খরা উৎলকখিবসি চাইনানা তরাম্না ওকই।

নোর্থ কোরিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মতম চানা থা অসিগী অরোইবা শরুক্তা ৱারী শান্নবা হৌবদু ঐখোয়না উবা পাম্মী হায়না ৱাংনা মালেসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সাইফুদ্দিন অব্দুলাহগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা জোইন্ট ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি। হন্দক্তা ইনৌ নৌনা নোর্থ কোরিয়ানা পাঙথোকখিবা খুৎলায় চাংয়েংশিংগী মতাংদদি মহাক্না পনখিদে।

## রৌহানিগা উনবা য়ানবা ট্রম্পনা অথিংবশিং কোমথোক্লবা য়াই



ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ১২ (এজেন্সি) :
থা অসিদা ইরানগী প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিগা সম্মিট অমা পাঙথোকপা য়ানবগী লম্বী ফাৎপা ওইনা টেহরানগী মায়োক্তা থন্লিবা অথিংবা কয়া প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কোমথোক্লবা য়াই হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংদা কন্না ফোঙদোক্ল রিঙৈদা প্রসিদেন্ট ট্রম্প মশামক্না লাক্লিবা চয়োল খরা অসিগী মনুংদা ইরানগী মায়োক্তা থন্লিবা য়ু এসকী অথিংবশিং কোমথোক্লবা য়াই হায়না ইঙ্গিৎ পীখ্রে।

ইফে ন্যুজগী রিপোর্ট মতুং ইন্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ওভেল ওফিসতা হ্বাইট হাউসনা টেহরানগী মথক্তা থন্লিবা অথিংবশিং কোমথোরকপা য়াবগী ফিভম লৈব্রা হায়না পাউমীশিংনা হংবদা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ৱাহং অদুগী পাউখুম ওইনা করি লাকপগে হায়বদু য়েংসি হায়খি।

ন্যু য়োর্কতা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী জেনরেল এসেমব্লি সেসনগী মনুং চন্না সেপ্তেম্বর থাগী লোইশিল্লকপা শরুক্তা ইরানগী লিদর হসন রৌহানিগা উনবা য়ানবগী পান্দমদা ট্রম্পনা টেহরানগী মথক্তা শেল-থুম য়াওনা অথিংবা কয়া কোমথোকপগী খোঙথাং অমা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হৌদোকখি হায়বা প্রেস রিপোর্ট অমদা য়ুম্ফম ওইরগা পাউমীশিংনা ওভেল ওফিসতা ইরানগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া প্রসিদেন্ট ট্রম্পতা হংখিবনি।

ট্রেজরি সেক্রেটরি ষ্টেভেন মন্যুচিননা থৌরাং অসিবু শৌগৎপা ফোঙদোকখিবা লৈরবসু হান্নগী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর জোন বোল্টন্নদি টেহরানগী ময়োক্তা থন্লিবা অথিংবশিং লৌথোকপগী মায়োক্তা মতম চুপ্পদা খোঙফম চেৎনা লেপখিপ্পা। মসিনা মরম ওইদুনা ট্রম্পনা মহাকপু মফম থাদোক্লবা খঙহনখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ফাওবা থাজনরি।

ট্রম্পনা ৱাফম অসিগী অকুপ্পশিং কনফার্ম তৌ হায়বা য়াখিদবগা লোয়ননা মহাক্না ন্যু য়োর্কতা রৌহানিগা উনবগী মতম খৌরাংনা ঙাইরি হায়বসিসু পাউমীশিংদা খঙহন্দনবা হোৎনখি। অমরোমদা মহাক্না ৱাশিংটননা বাইলেটরেল টেন্সনশিং কোমথোক্লবা ইরান্না ৱাশিংযনগা দিল অমা পুরকপা পাম্মী হায়বগী ৱাফম থমখি।

## দিল য়াওদবা ব্রেক্সিটনা চান-থক্লবা পোৎলমশিংগী সপ্লাই হন্থহনবা অমদি মীয়ামগী ইরাং কয়া লাকহনবা য়াই



লন্দন, সেপ্তেম্বর ১২ (এজেন্সি) :
বৃটিশ গভর্নমেন্টগী দিল য়াওদবা ব্রেক্সিটকী থৌরাংশিংনা ক্রোস-চেনেল রুটশিংদা মরু ওইবা পোৎ-চৈ কয়া পুথোক-পুশিন তৌবদা অকায়বা পীদুনা হীদাক-লাংথকশিং অমসুং মতম শাংনা লিদুনা থম্বা য়াদবা অতেকপা চীঙ্গাক মখল কয়াগী সপ্লাইদা শোকহনবা য়াবগা লোয়ননা লৈবাক অপুম্বদা প্রোটেষ্ট অমসুং কাউন্টর-প্রোটেষ্ট কয়া থোকহন্দুনা পব্লিক দিসওর্দরগী ফিভম অমা লাকহনবা য়াই হায়রি।

দিল য়াওদবা ব্রেক্সিটকী ফিভম্না থোকহল্লকপা য়াবা খ্বাইদগী খুদোংচাদবা অমসুং ফত্তবা ফিভম কয়া নৈনরিবা দোক্যুমেন্ট 'ওপরেসন য়েল্লোহাম্মর' ওগষ্ট ২দা শেমখিবা মতুং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা গভর্নমেন্টনা ফোঙখি। বৃটিশ গভর্নমেন্টনা ওপরেসন য়োল্লোহাম্মর শেম শাখিবা মতম অদু বোরিস জোন্সন্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা থবক পায়বা হৌগদবা নুমিৎ খরগী মাঙওইননিনি। মদুদা পল্লিবা খুদোংচাদবা অমসুং ফত্তবা ফিভমশিং অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা মমাংদা লৈরম্বা টেরেসা মেগী গভর্নমেন্টনা দিল য়াওদবা ব্রেক্সিটকী ফিভম লৈহন্দনবা থেংখায় কয়াদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগা ব্রেক্সিট দিলকী মতাংদা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনখিবনি।

বৃটেন্না ওক্তোবর ৩১ দা দিল অমা য়াওদনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপা মতমদা লাক্কদবা খ্বাইদগী ফত্তবা ফিভম কয়া কুপ্পা য়েংশিল্লিবা দোক্যুমেন্ট অদুনা হায়রিবদি, অসিগুম্বা ফিভম অমা লাকপা মতমদা লৈবাক অসিগী মীয়াম অমসুং বিজিনেস কম্যুনিটিনা হান্না শেম শাহৌদবগী মওং অমা শোয়দনা উবা ফংগনি। মসি মরু ওইনা ব্রেক্সিট নুমিৎ ফাওবদা পোলিটিকেলগী কাং খোং চাইবা অমসুং চমম্নবা ফিভম অমা লৈগদৌরিবা অসিননি হায়না দোক্যুমেন্টদুদা পনখি।

## ইন্দোনেসিয়াগী ট্রাঞ্জিসন মতমগী প্রসিদেন্ট হবিবি লৈখিদ্রে



জার্কটা, সেপ্তেম্বর ১২ (এজেন্সি) :
ইন্দোন্সিয়ন লিশিং কয়ানা শগোলশেল নুমিত্তা কেপিটেল জর্কটাদা লৈবাক অসিগী দেমোক্রেটিক ট্রাঞ্জিসন মতমদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা হান্নগী প্রসিদেন্ট বি জে হবিবিনা লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

হান্নগী প্রসিদেন্ট হবিবিনা কুমজা ১৯৯৪ দা ইন্দোনেসিয়াগী হান্নগী ষ্ট্রোংমেন সুহার্টোনা মফম থাদোকখিবা মতুংদা মীশিং য়ামবদা য়েংলগা মালেমগী মরিশুবা খ্বাইদগী চাওবা ওইরিবা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা লৈঙাক্কী পাৱর পায়বা হৌদুনা লৈবাক অসিদা দেমোক্রেসি লাকহন্নবগী অকনবা ইরাং কয়া খাঙখি। মশাগী চহী ৮৩ শুরবা হবিবি হার্ট ফেল ওইবদগী লৈখিদবনি হায়না মহাক্কী মচানুপা টারিক কেমাল হবিবিনা মেট্রো টি ভিদা ফোঙদোকখি।

কালিবতা হিরোজ মেমোরিএল পার্কতা ষ্টেট ফ্যুনরেল পাঙথোক্ল বগীদমক্তা সেন্ট্রেল জর্কটাগী লন্থীশিং ফাওদুনা পুরকখিবা লৈখিদ্রবগী অশিবা হকচাং মীয়াম্না পরেং শানা লেপ্তুনা য়েংনখি। লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপগী থৌরম অদু প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা লুচিংখি।

এঞ্জিনিয়র অমা ওইনবা ট্রেনিং তৌরকখিবা হবিবিনা ইন্দোনিসিয়াগী অহুমশুবা প্রসিদেন্ট ওইনা সুহার্টোগী মহুৎ শীনখি। মদুগী মমাংদা এসিয়ান ফাইনান্সিএল ক্রাইসিসনা মরম ওইদুনা লৈবাক অদুদা শেল-থুমগা মরী লৈনবা ইরাং কয়া থোক্লিঙৈগী মনুংদা মহাক্না সুহার্টোগী দেপ্যুটি ওইনা থবক পায়খি।

মুস্লিমশিংনা মেজোরিটি ওইবা মালেমগী মীশিং খ্বাইদগী য়াম্লবা লৈবাক অদুবু চহী ৩২ চুপ্পা লৈঙাক্লকখিবা সুহার্টোগী মহুৎ শীন্দুনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা হবিবিনা শুপ্নগী থা ১৭খক পৱার পায়খি।

ইন্দোনেসিয়াদা শেল-থুমগী ক্রাইসিস চাওনা থোক্লিঙৈ মনুংদা ইন্টরনেসনল মোনিটরি ফন্দনা প্রিস্ক্রাইব তৌখিবা মীয়াম্না পাম্নদ্রবা ইকনমিক রিফোর্মশিং হবিবিগী লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা অদুগুম্বা শেল-থুমগী অহোংবা কয়া অদুনা মহাক্কী লৈঙাক তুনবগী মরম অমসু ওইখি। তেল্লবা মতম অদুদা হবিবিনা ইন্দোনেসিয়াগী ইথনিক চাইনিজ মাইনোরিটিগী মায়োক্তা লৈরল্লিবা কাঙলুপ নাইবগী পোলিসিশিংসু কোমথোকহনখি।

## চাইনানা অনৌবা সেটেলাইট অহুম মায় পাক্না থাগৎখ্রে



বৈজিং, সেপ্তেম্বর ১২ (এজেন্সি) :
চাইনানা শগোলশেল নুমিত্তা রিসোর্স সেটলাইট অমা য়াওনা সেটলাইট অহুম হান্না থৌরাং তৌখিবা ওর্বিটশিংদা মায় পাক্না থাগৎখ্রে। সেটলাইটশিং অদুনা মহৌশাগী খুদোংথিবা থোক্লকপা থিংবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা অর্বান কন্সষ্ট্রক্সনদসু মতেং পাংগনি অমদি পোলরগী লমদমশিং অমসুং গ্লোবেল ক্লাইমেট চেঞ্জ মোনিটর তৌবদসু মতেং পাংগনি হায়রি।

রিসোর্স সেটলাইট অদুগা লোয়ননা অপীকপা সেটলাইট অনী অদু লোকেল মতমদা অয়ুক্কী পুং ১১.২৬ তাবদা নোর্থ চাইনাগী শাংসি প্রোভিন্সতা লৈবা টাইয়ুৱান সেটলাইট লোঞ্চ সেন্টরদগী লোং মার্চ-৪বি করিয়র রোকেট অমদা থাগৎখি। রিসোর্স সেটলাইট জেদ ৱাই-১ ০২দি অসি চাইনা একাদেমি ওফ স্পেস টেক্নোলোজি (সী এ এস টি)না শাবনি অমসুং মসি চাইনাগী স্পেস-বেজ ইনফ্রাষ্ট্রক্চরগী মরু ওইবা শরুক অমনি।

সেটলাইট অসিনা নেচরেল রিসোর্সেস এসেট মেনেজমেন্ট, ইকোলোজিকেল মোনিটরিং, দিজাষ্টর প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল, ইনভাইরনমেন্ট প্রোটেক্সন, অর্বান কন্সষ্ট্রক্সন, ট্রান্সপোর্টেসন অমসুং কন্টিজেন্সি মেনেজমেন্টকা মরী লৈনবা ওবজার্ভেসন দেতা পীগনি হায়না ষ্টেটনা চলাইবা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

চহী মঙা চৎনবগী মওংদা শাখিবা জেট ৱাই-১ ০২দিনা মতুং তারকপদা থাগৎকদবা সেটলাইটশিংগা লোয়ননা নেটৱার্ক অমা শেমগনি। সেটলাইট অসি মালেম লৈশা মথক্কী কিলোমিটর ৭৭৮ ৱাংবা সোলর সিনক্রোনস ওর্বিটতা থবক তৌগনি। সেটলাইট অসিনা কিলোমিটর ১১৫ পাক্না কোবরেজ ঙম্বা নিয়র-ইনফ্রাবেদ কেমেরা অমা পুবগা লোয়ননা অচৌবা অমসুং ময়াই ওইরপ চাওবা সিটিশিং ওবজার্ভ তৌবদা খুদোংচাহন্দুনা অর্বান প্লান্নিংদা শীজিন্নবা য়াগনি হায়না সেটলাইট অদুগী প্রোজেক্ট মেনেজর লি য়িফানন্না ফোঙদোকখি।

মসিদা নত্তনা সেটলাইট অদুদা মতম অমত্তদা তোঙান তোঙানবা কলর বেন্দশিংগী পিকচর ১৬৬ পুথোকপা ঙম্বা বেন্দ ১৬৬কী হায়পরস্পেক্টরেল কেমেরা অমসু য়াওরি। সেটলাইট অসিগা লোয়ননা থাগৎমিন্নরিবা অপীকপা সেটলাইট অনীগী মনুংদা অমদি বৈজিং নোর্মেল য়ুনিভর্সিটিগীনি হায়রি।